# হীদাক কান্নরবা পাম্বীশিং ঃ কোকুল # ২৮১

– ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার –
সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইন্সটিট্যুট
ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ

কোক্‌ল নৎত্রগা কোক্‌ন হায়রিবা পাম্বী অসি মণিপুরীশিংগা মরু ওইনা মৈতৈ নৎত্রগা মীতৈশিংগা থোইদোক্লা মরী লৈনরক্লবা পাম্বীশিংগী মনুংদা য়াম্না মরু ওই। মৈতৈশিংনা থাজনবা অমদি চৎনবী ওইনা থা-লাকপা হায়বদি চন্দ্রগ্রহন তৌবা (Chandragrahan) হায়বদি লুনার ইক্লিপস (Lunar eclipse) তৌবা মতমদা হায়বদি তৌরিঙৈদা মীওই অমত্তা থোইদোক্লা মরু ওইনা মীরোল্লিবী নুপীশিংনা যূমদগী মপান থোক্লদে অমদি থা উমলিঙৈদা য়েংবা তৌহৈদে অমসুং ফত্তবা ফল ফংগনি হায়না থাজনদুনা চৎনবী অমা ওইনা লাক্লি। অদুবু য়াম্না তঙাইফদনা মপান থোক্তবা য়াদদুনা থোক্লগদি হায়রিবা মীওই অদুগী কোক্তা কোক্‌ল পাম্বীগী মনা নৎত্রগা মসা অদুনা খন্দুনা চৎনৈ। হায়রিবা চৎনবী অসি মালেমগী মফম অমত্তদা থেংনদে। থা উমলিঙৈদা মীওইবনা মপান থোরকপা মতমদা মহাক্কী মশা মরু ওইনা কোক অদু পাম্বী অসিগী মনা নৎত্রগা মসা অদুনা খনবদা হায়রিবা মীওই অদুদা অমাঙ-অতা অমত্তা থোকহন্দবা ঙম্মী হায়না থাজনবদগী পাম্বী অসিবু কোক্‌ল হায়না কৌনখিবা শোয়দনা ওইরমগনি।

কোক্‌ল পাম্বী অসি অসামিজদা ভেলু (Bhelu), বেঙ্গোলিদা মার্লিয়া (Marlia), কাশ্মীরিদা প্রোত (Prot), কুমাওননিদা তুমরী (Tumri), পঞ্জাবিদা পারলু (Parlu), লেপচাদা পালিত-কুঙ্ (Palit-Kung), নেপালিদা ভালু পাইলে (Bhaalu paaile) নৎত্রগা ফিরফিরে (Phiraphire) নৎত্রগা আখোন (Akhon) নৎত্রগা বামন পতী (Baaman pattee), চাইনিজদা পিনয়িন (Pinyin) নৎত্রগা ৱা জিয়াও ফেঙ (Ba jiao feng), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা *এলেঞ্জিয়ম চাইনেন্সি (Alangium chinense (Lour) Harms)* নৎত্রগা *এলেঞ্জিয়ম বেগোনিফোলিয়ম (Alangium begoniifolium (Roxb.) Bail.)* নৎত্রগা *মার্লিয়া বেগোনিফোলিয়া (Marlea begoniifolia Roxb.)* নৎত্রগা *ষ্টাইলিদিয়ম চাইনেন্সি (Stylidium chinense (Lour.) Harms)* হায়না কৌই অমসুং *কোর্নেসী (Cornaceae)* শাগৈগী মনুং চল্লি। অহানবদদি পাম্বী অসি *এলেঞ্জিয়েসী (Alangiaceae)* শাগৈনি হায়না থোল্লম্লবসু হৌজিক্তি পাম্বী অসি কোর্নেসী শাগৈদা থমগদবনি হায়না য়ানরে।

কোক্‌ল হায়রিবা পাম্বী অসি ফুট ১৮ ফাওবা ৱাংবা এভগ্রীন (Evergreen) হায়বদি মতম পূম্নমক্তা শংত্রিক-শংদুনতা লৈবা অপিকপা উ পাম্বী অমনি। পাম্বী অসি নৌরিঙৈদদি মশা পূম্নমক অদু অথোৎপা ঙৌরুনবা মচুগী অপিকপা মতুশিং পাল্লি। (Pubescent) অদুবু লিশিল্লক্লবা কান্দদি মতুশিং অদু কেনখি অমসুং পাম্বী মশা পূম্নমক অরংবা মচু কারকই (Blabrescent) । পাম্বী অসিগী মনাশিং অদু কোয়পাক্লনা মতোন অদু তুমই অমসুং সেন্টিমিটর ৪দগী ৬ ফাওবা শাংবা মখোকশিং অদু মচু ঙাংতক তৌই। মনাশিং অদুগী অকোয়বা অদু করিগুম্বদা অতেনবা মচিগুম্নসু পাল্লি। সেন্টিমিটর ২ রোম শাংবা অঙৌবা মচুগী লৈশিং ৩দগী ১৫ মখোক অমদগী চবুন-চবুন য়াম্বদুনা মে থাদগী জুলাই থা ফাওবগী মনুংদা শাৎলি অদুগা মরূ অমখক্তা য়াওবা মতুম তারপ্না শাংবা মহৈ অদুনা জুলাইদগী নবেম্বর ফাওবদা পাল্লি।



পাউদমশিংগী মতুংইন্না কোক্‌ল পাম্বী অসি মহৌশাগী ওইনা হৌজবা মফমশিং অদুদি ইন্দিয়া, বাংলাদেশ, নেপাল, ভুটান, ম্যান্মার, চাইনা, জপান অমসুং নোংপোক থংবা আফ্রিকাগী লমদমশিংনি। পাম্বী অসি সমুদ্র ঈমাইদগী মিটর ৩০০দগী ২৪০০ ফাওবা ৱাংবা উমংশিং মরু ওইনা অচৌবা উজাও হৌদবা নৎত্রগা চীংখোং চীংয়াশিংদা য়াম্না চুশিন্ননা হৌবা থেংনবীগনি। অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াগী অয়াম্বা মফমশিং মরু ওইনা মণিপুর, মেঘালয়া, অরুনাচল প্রদেশ, সিক্কিম, বিহার, পঞ্জাব, হিমাচল প্রদেশ অমসুং উত্তর প্রদেশতা কোক্‌ল পাম্বী অসি হৌবগী পাউদমশিং লৈ। ঈশিং মনিলগী চাং ৱাংবা মফমশিং অমসুং লোকচপশিংদা অমুক্কা হেন্না চুশিন্ননা হৌগল্লি। কোক্‌ল পাম্বী অমদা লাবা অমসুং অমোমগী কয়াৎশিং হায়বদি এন্দ্রোইসিয়ম (Androecium) অমসুং গাইনোইসিয়ম (Gynoecium) পূন্না লৈ অমত্তদা পাল্লি অমসুং তীনগী মতেংনা হক্তিন্নবগী থৌওং হায়বদি পোলিনেসন (Pollination) তৌহল্লি।

কোক্‌ল পাম্বী অসি মীওইবনা হীরম কয়ামরুমদা শীজিন্নৈ। আফ্রিকাদদি কোক্‌ন পাম্বীগী উ অদু থাং অমসুং খুক্লিগী মখোক পানবা অমসুং থাঙখুম শাবদা শীজিন্নৈ। এসিয়াগী মফম কয়ামরুমদা কোক্‌ন পাম্বীগী উ অসি খূৎশু-খূৎলায়গী মখোক পানবা, চৈশু শেম্বা, নোংমৈগী মখোক পানবা, মিতম শাবা, উপু-কাংথোল চনবা, লংচাক শেম্বা অমসুং লৈতেংগী পোথোকশিং শাবদা শীজিন্নবগী পাউদমশিং লৈ। অনা-লায়েংবদসু কোক্‌ন পাম্বী অসি থোইদোক-হেন্দোকপা মগুন লৈবা পাম্বী অমা ওইনা লৌনৈ। পাম্বী অসি চাইনাগী অনা-লায়েংদা শীজিন্নবা খ্বাইদগী মরু ওইবা পাম্বী ৫০গী মনুংদা অমনি। চাইনাগী অরিবা অনা-লায়েংদা কোক্‌ন পাম্বীগী মরা অমসুং উগী মকু অদু মীওইবগী ঈ শেংদোকহনবা, পুক নুংশিৎ কাবা অমদি কোন্ত্রাসেপতিভ (Contraceptive) হায়বদি অঙাং য়ৈথনবগী হীদাক-লাংথকশিং শাবদা শীজিন্নৈ। লিন্না চিকপদা কোক্‌ন উগী মকু অদু ফজনা শুগাইরগা থোম্লগা বেন্দেজ ওইনা য়েত্তুনা শীজিন্নবগী পাউদমশিং লৈ। কোক্‌ন উগী মরা অদু শুগাইরগা শেম্বা নং-নং লাউবা মোলোম অদুনা চাং নাইনা তৈবদা তাং-তাং চাওথোক্তুনা চিকপা-নাবা তৌবা অদুদা থোইদোক্লা কান্নবা ফল ফংবা ঙম্মী। হায়রিবা অশেম্বা মোলোম অসিনা লাইবক্তা অমদি কোক্তা চাং নাইনা তৈদুনা তপ্না নোইবদা ৱাখল-লায়নানা নাদুনা ইফক-ফকচিনবা অমদি বুধি-লৌশিং থোক্তবদা থোইদোক্লা কান্নবা ফল পীবা ঙম্মী হায়বগী পাউদমসু থেংনৈ।

খঙহৌদনা থোকপা এক্সিদেন্ট অদুগী চৈনা অদু কোক্‌ন পাম্বীগী উগী মকু অদু শুগাইরগা থোম্বদা থুনা হন্থহনবা ঙম্বগী মথক্তা অশোকপা অদু থুনা ওইশিনহনবদা মতেং পাংই হায়নসু য়াম্না কুইরবা মতমদগী শীজিন্নরক্লি। লৈথেক্তুনা শৱ্দ কাপথোকপা অমদি শোক্তুনা তেকপদা কোক্‌ন পাম্বীগী মরা অদু শুগাইরগা থোম্লগা বেন্দেজগুম্না য়েত্তুনা লায়েংবসি চাইনাগী অনা লায়েংদা য়াওরি। কোক্‌ন পাম্বীগী মরা অসিদা ঈ য়াম্না থুনা খকহনবা ঙম্বগী মগুন অসি বিজ্ঞান্না থিজিনবদগীসু খঙবা ঙমখ্রে। কোক্‌ন পাম্বীগী মরা অদু শুগাইরগা শেম্বা মোলম অদুনা হকচাংদা তৈরগা চাং নাইনা নোইবদা ঈগী খোঙজেল অদু কনখৎহনবা ঙম্বা মরম্না পেরলাইসিস (Paralysis) হায়রিবা হকচাং পংথবা অমদি শিথবদা য়াম্না ফবা হীদাক অমা ওইনসু শীজিন্নৈ। ●

# ৱর্ল্ড স্লীপ দে - করিগীদমক পাঙথোক্লিবনো - ২

- ডা. এস পহেল মৈতৈ -
MD (Internal Medicine)
DM (Pulmonary, Critical Care & Sleep Medicine)
Assistant Professor of Medicine
JNIMS, Porompat, Imphal East

স্লীপ এপনিয়া হায়বসি লেবোরেটরিদা (পোলিসোমনোগ্রাফি : পি এস জি) গী মতেংনা ইরায় লায়না দাইগনোস তৌবা ঙম্মী। স্লীপ ষ্টদিগী তোঙান-তোঙানবা তাঙ্কক কয়ামরুম লৈ। পোর্টেবল মেছিন শীজিন্নরগা যূমদা ইরায় লায়না পাঙথোকপা য়াবা খরসু লৈ।

নন-ইনভেসিভ পোজিটিভ এয়রৱে (কন্টিনিয়স পোজিটিভ এয়রৱে প্রেসর, নৎত্রগা সী পি এ পি) ভেন্টিলেসনগী মতেংনা লায়েংবদা অদুমক মায় পাক্লে। চাং খরা হন্থবা স্লীপ এপনিয়াগীদমক্তদি ওরেল দিভাইস শীজিন্নবদা কান্নবা ফংই। নন-ইনভেসিভ ইক্কিপমেন্ট শীজিন্নবা য়াদবা নৎত্রগা টোন্সিল চাউথোরকপদগী ওরোফেরিঙ্কসতা নুংশিৎ চঙলকপা ঙমদবা মীওইশিংগীদমক্তদি সর্জরি তৌরগা ওরোফেরিঙ্কসতা লৈবা অহেনবা টিস্যুশিং লৌথোকপা কান্নগনি। নন-ইনভেসিভ পোজিটিভ এয়রৱে প্রেসর ভেন্টিলেসন শীজিন্নদুনা স্লীপ এপনিয়া লায়েংবা মতমদা ব্লদ প্রেসর হন্থহল্লি। মাইয়োকার্দিয়ল ইনফার্ক্সন অমদি ষ্ট্রোক্কী রিস্কসু হন্থহল্লি হায়বগী খুদম ফংলে। স্লীপ এপনিয়া মপূং ফানা লায়েংলবদি নুংথিলগী মতমদা কা হেন্না তূমনীংবগী খুদোংচাদবা কোকহনবা ঙম্মী।

**রেষ্টলেস লেগ সিন্দ্রোম হায়বসি করিনো?**

ফমুংদা হীপথরবা মতুং নৎত্রগা মতম শাংনা ফমজিন্দুনা লৈবা মতমদা থিংবা ঙমদবা মওংদা খোঙ লেঙনীংবগী থৌওংবু রেষ্টলেস লেগ সিন্দ্রোম হায়না খঙনৈ। মসিনা মরম ওইরগা কনাগুম্বা মীওই অমবু পাক-হেক তূমথবা য়াহন্দে। হীদাক-লাংথক থারগা ফহনবা ঙম্মী।

**নার্কোলেপসি হায়বসি করিনো ?**

নার্কোলেপসি হায়বসি তূম্বা অমসুং মীৎকপ থোকপগী থৌওংদা অকায়বা থোকহল্লকপা ন্যুরোলোজিকেল দিসওর্দর অমনি। মসিনা মরম ওইরগা কনাগুম্বা অমবু নুংথিলগী মতমদা কা হেন্না তূমনীংবা ফাওহল্লকই। নোকপা নৎত্রগা শাউবা নৎত্রগা হরাউবা মতমদা খঙহৌদনা মশল শোন্থরকপা হেক-হেক থেংনৈ। অয়াম্বা মতমদা মশাগী চহী ১৫দগী ২৫ ফাওবগী মনুংদা নার্কোলেপসিগী খুদোংচাদবা মায়োক্লবা হৌই। চহী মতাং অমদা হেক্তা থেংনবসু য়াই। কনাগুম্বা খরদি মশানা খঙজদবা মরম্না লায়েংদবা য়াওই।

নার্কোলেপসিগী পেশন্টশিংনা তূম্বা অমসুং য়াহৌবগী মতম চাং নাইবা, নুংথিল তূম্লবসু অকক্লবা মতমদা চাং নাইনা তূম্বা, নুংথিলদা তূমনীংবা ফাওহনগদবা নৎত্রগা ইন্সোমনিয়া ওইহল্লক্কদবা হীদাক শীজিন্নদবা অমসুং সাইকোলোজিকেল সপোর্ট গ্রুপ অমগী মতেং লৌবা কান্নগনি। দিপ্রেসন, হায়পরটেন্সন অমদি ওবেসিটিগী স্ক্রিনিং তৌবসু য়াম্নমক মরু ওই।

স্লীপ এপনিয়া অমসুং ঙাইহাক লৈতনা খোঙ লেঙবা অসিনচিংবা স্লীপ দিসওর্দরশিং নার্কোলেপসিগা পূন্না মায়োকমিন্নবা য়াওই। নার্কোলেপসিগী হীদাক থাদ্রিঙৈদা মথক্কী দিসওর্দরশিং হান্না কোকহন্নবা হোৎনগদবনি।

নার্কোলেপসি লায়েংনবগী হীদাক অয়াম্বা নুংথিল তূম্নিংবা নৎত্রগা কেটাপ্লেক্সি ফহন্নবনি। মরম অদুনা খুদোংচাদবা অনীমক মায়োক্লরিবা মীওইশিংনা হীদাক অমদগী হেন্না চাবা মথৌ তারকপা য়াই।

**নুংঙাইনা অমসুং মপূং ফানা তূম্বগী মচাকশিং**

- নোর্মেল স্লীপ

- নুংঙাইনা, মপূং ফানা তূম্বগী মচাক অহুম :

মতম : মথং নুমিৎতা য়াহৌরকপদা হকচাং তেকখৎলমগদবা চাং য়ৌনা তূমগদবনি।

কন্টিন্যুটি : মরক্তা অপনবা য়াওদবা মওংদা মপূং ফানা তূমগদবনি।

দেপ্থ : কয়াৎ পূম্নমক তেকখৎহনগদবা মওংদা মপূং ফানা তূমগদবনি।

ৱর্ল্ড স্লীপ সোসাইটিনা রেক্কমেন্দ তৌবা তূম্বগী মতম ;

| চহী | তূম্বগী মতম |
|---|---|
| থা ৪দগী ১২ ফাওবা | নুংথিল তূম্বা থারগা পুং ১২-১৬ |
| চহী ১-২ | নুংথিল তূম্বা থারগা পুং ১১-১৪ |
| চহী ৩-৫ | নুংথিল তূম্বা থারগা পুহ ১০-১৩ |
| চহী ৬-১২ | পুং ৯-১৯ |
| চহী ১৩-১৮ | পুং ৮-১০ |
| চহী ১৮গী মথক | পুং ৭তগী হেন্না |

**নুংঙাইনা অমসুং মপূং ফানা তূম্বা য়ানবগী পাম্বৈ**

ৱর্ল্ড স্লীপ দেগী কো-চ্যেরপর্সন প্রোফেসর ফেং হেননা হায় :

(১) অহানবদা, নুমিৎকী মঙালনা ঙাইহাক য়ৈহনবনা হকচাংগী কয়াৎশিং খোঙচৎ কায়হন্দে।

(২) অনীশুবদা, নুংথিলগী মতমদা থবক কন্না শুবগা লোয়ননা চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌবা।

(৩) অহুমশুবদা, তূম্লমদাইদা মৈ মমহনবনা তূম্বা নুংঙাইহল্লি।

(৪) অরোইবদা, অফবা ৱাখল খন্দুনা পূক্লিং-ৱাখল নুংঙাইহল্লবদি হকচাং ফহনবগা লোয়ননা তূম্বা নুংঙাইহল্লি।

মপূং ফানা অমসুং নুংঙাইনা তূম্বা য়ানবগী মতাংদা ৱর্ল্ড স্লীপ সোসাইটিনা পীবা রেক্কমেন্দসনশিং

**অহলশিং নুংঙাইনা তূমহনবা**

(১) তূম্বা অমসুং য়াহৌবগী মতম নাইবা।

(২) অয়ূক্কী চাক চারগা ঙাইহাক নুংথিল তূম্বগী হৈনবী লৈরবদি মিনট ৪৫দগী হেন্না তূমলোইদবনি।

(৩) য়ু কা হেন্না থক্লোইদবনি অমসুং মৈখু শীজিন্নরোইদবনি।

(৪) তূমগদবা পুং ৬ লোম ৱাৎলিঙৈদগী হৌনা কেফিন য়াওবা চিঞ্জাক চারোইদবনি। কোফি, চা, সোদা অমসুং চোকোলেটতা কেফিন য়াওই।

(৫) তূমগদবা পুং ৪ রোম ৱাৎলিঙৈদগী হৌনা মরু-মরাং নৎত্রগা চিনি য়াওবা চিঞ্জাক কা হেন্না চারোইদবনি।

(৬) চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌগদবনি। তূম্লমদাইদদি শাজেল তৌবা য়াদে।

(৭) হীপ্পদা নুংঙাইগদবা ফমুংদা তূমগদবনি।

(৮) তূম্ফম কা অদু নুংশিৎ-নুংশা মরাং কায়না ফংহনবগা লোয়ননা কা হেন্না ঈংবা নৎত্রগা কা হেন্না শাবা তৌহল্লোইদবনি।

(৯) তূম্বদা অকায়বা পীগদবা মখোল অমত্তা থোকহল্লোইদবনি অমসুং মৈ পূম্নমক মুখৎকদবনি।

(১০) তূম্বা খক নত্তনা অতৈ অতোপ্পা থবক অমত্তা ফমুংদা তৌরোইদবনি।

**চহী ১২গী মখাদা লৈবা অঙাংশিং নুংঙাইনা তূমহনবা**

(১) য়ারিবমখৈ নুমিদাং পুং ৯গী মমাঙদা অঙাংশিংবু চাং নাইনা অমসুং মতম চানা তূমহনগদবনি।

(২) চহী মতাংগী মতুংইন্না নুংথিল ঙাইহাক তূম্বগী মতম লেপ্পীগদবনি।

(৩) তূম্লমদাইদা ব্রশ তৌহনবা অমদি ৱারী লীবিবনচিংবা অফবা থৌওংশিং চাং নাইনা তৌগদবনি।

(৪) তূম্ফম কা অদু মমহনবগা লোয়ননা ঈং-চিকপা ওইহনগদবনি।

(৫) অঙাংশিংবু মথন্তা তূম্বা তম্বীগদবনি।

(৬) তূম্লমদাইদা মৈ মমহনগদবনি অমসুং অয়ূক্তনা নুংশাগী মঙাল ফংহনগদবনি।

(৭) তূম্লমদাইদা হকচাং শাজেল তৌবা অমসুং কা হেন্না পীজ-পীথকপা তৌরোইদবনি।

(৮) অঙাংগী তূম্ফম কা মনুংদা টেলিভিজন, কম্প্যুটর অমদি সেল ফোন থমলোইদবনি। তূম্লমদাইদা ইলেক্ট্রোনিক্কী পোৎলম শান্নহল্লোইদবনি।

(৯) অঙাংশিংদা সোদা, কোফি, চা অমদি চোকোলেট য়াওনা কেফিন য়াওবা পোৎলম পীজ-পীথক তৌরোইদবনি।

(১০) অঙাংশিংবু চাবা, তূম্বা অমদি য়াহৌবগী মতম ঙাক্লা চৎহনগদবনি।

**স্লীপ মেদিসিন হায়বসি করিনো? কনানা লম্ অসিদা খোঙ থাংজিনবগে?**

তূম্বা য়াদবগী মওং মতৌ খঙদোক্লগা লায়েং চথুবগী থৌওংবু স্লীপ মেদিসিন হায়না খঙনৈ। লায়েং মখল অসি চথুরিবা ডাক্তরবুনা স্লীপ স্পেসলিষ্ট হায়না খঙনৈ। স্লীপ স্পেসলিষ্ট অয়াম্বনা রেসিদেন্ট ডাক্তর ওইরিঙৈদা পলমোনরি মেদিসিন, সাইকিয়াত্রি নৎত্রগা ন্যুরোলোজিগী মতাংদা ট্রেনিং তৌই। লায়েং মখল অসিদা পলমোনোলোজিষ্ট, সাইকিয়াত্রিষ্ট, ন্যুরোলোজিষ্ট অমসুং ওটোলেরিঙ্গোলোজিষ্টশিংগী থৌদাং চাওই। ●

**IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER (IX) MANIPUR**

**Ref :- Mutation Case No. 71/AS & SO/IX/2021**

1. Gurumayum Lata Devi, D/o. (L) G. Mangi Sharma of Wangkhei Panchim Koijam Leikai
2. -do- Rabita Devi, D/o. -do- of -do-
3. -do- Nanaobi Devi, D/o. -do- of -do-
4. -do- Surjalata Devi, De/o. -do- of -do-
5. -do- Linda Devi, D/o. -do- of -do-

- Petitioners

-Vrs-

1. Gurumayum Kanhai Sharma
2. -do- Mangi Sharma
3. -do- Ongbi Dhanapati Devi, W/o. (L) Biramangol Sharma of Wangkhei Panchim Koijam Leikai

- O.P. Parties

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**

Imphal, the 19th March 2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং ৩৮- ৱাংখৈ পশ্চিম পাট্টা নং ২৮০ অরিবা ১২৯ অনৌবা দাগ নং ২১২৯ এরিয়া .২৯ একর চাওবা ইংখোলগী কো-পাট্টাদার নং ২ শুবা মৃ: ওইখ্রে, মরম অদুনা মথক্তা পীরিবা দংকারিশিংনা মখোয়গী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউচে অসিনা ফোঙলবা মতুং নুমীৎ ৭নিগী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা ওবজেক্সন তৌগদবনি, মতুংদা লাকপা ওবজেক্সন লৌরোই কেস মখা চথুরগনি।

**Sd/-** Assistant Survey & Settlement Officer, (IX) Manipur

HL-P/9353/20

**IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, THOUBAL GOVERNMENT OF MANIPUR**

**Ref :- Mutation Case No. 212/AS & SO/TBL Date. 11/03/2021**

1. Pangambam Kumar Singh S/o (L) P. Kamdebo Singh of Kiyam Siphai Mamang Leikai.
2. P. Somorjit Singh S/o P. Kumar Singh of -do-

-Applicants

-Vrs-

(Late Co:No. 2.
Pangambam Kamdebo Singh S/o (L) Naranjao Singh of Kiyam Siphai.

-O.P.

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**

Dt. 19/03/2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি তহশিল লিলোং খুল নং: ২২-কিয়াম সিফাইগী মনুংদা লৈবা পাট্টা নং ৩৫৯ (অরিবা), ৫৩৮ (অনৌবা), দাগ নং ২২০৯, এরিয়া হেক্টর .০৮৪২ চাওবা ইংখোল অসিগী কো: পাট্টাদার নং (২) অসি মৃত: ওইখ্রে। মরম অদুনা কো: নং ২গী মমিং কক্লগা মাগী মচানুপা অমসুং মশুনুপাদা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লমসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্কদবনি নৎত্রবদি কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চথুরগনি। মতুংদা লাকপা আপতি কোর্ট অসিনা লৌজরোই।

**Sd/- M. Ningthembi Singh**
Assistant Survey & Settlement Officer, Thoubal

HL-P/9355/20

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAGOLMANG, IMPHAL EAST**

**Ref :- Mut. Case No. 199/SDC/SLG/IE of 2021**

Parties : Secretary Ibudhou Moirang Kasha Seva Committee Singjamei Okram Leikai.

*-Petitioner*

-Vs-

Late Pattadar:
1. Moirang Kasha Umanglai Sebayet Okram Ibobi Singh S/o Kulabidhu Singh of Singjamei Okram Leikai.
2. Okram Indrajit Singh S/o Tomba Singh of Singjamei Okram Leikai.

*-Opposite Parties*

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**

Sagolmang, the 11/3/2021

Under Section-46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি সওম্বুং তহশিল খুল নং 20-Lamboikhul পাট্টা নং 113 (অরিবা) 34 (অনৌবা), দাগ নং 2180 মোট এরিয়া 1.13 একর চাওবা ফৌরেল লৌফমগী পাট্টাদার (লাইগী সেবা তৌবশিং) মৃত ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা মৃত্তু পাট্টাদারগী মিং কক্লগা সেক্রেটরিগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা আপতি/ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা অইবা চে ওইনা আপতি পীরবা য়াগনি, মতুংদা লাকপা আপতি চে লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চথুরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector, Sagolmang, Imphal East**

HL-P/9356/20

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAGOLMANG, IMPHAL EAST**

**Ref :- Mut. Case No. 200/SDC/SLG/IE of 2021**

Parties : Secretary Ibudhou Moirang Kasha Seva Committee Singjamei Okram Leikai.

*-Petitioner*

-Vs-

Late Pattadar:
1. Moirang Kasha Umanglai Sebayet Okram Ibobi Singh S/o Kulabidhu Singh of Singjamei Okram Leikai.
2. Okram Indrajit Singh S/o Tomba Singh of Singjamei Okram Leikai.

*-Opposite Parties*

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**

Sagolmang, the 11/3/2021

Under Section-46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি সওম্বুং তহশিল খুল নং 20-Lamboikhul পাট্টা নং 48 (অরিবা) 18 (অনৌবা), দাগ নং 2253 মোট এরিয়া .67 একর চাওবা ফৌরেল লৌফমগী পাট্টাদার (লাইগী সেবা তৌবশিং) মৃত ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা মৃত্তু পাট্টাদারগী মিং কক্লগা সেক্রেটরিগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা আপতি/ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা অইবা চে ওইনা আপতি পীরবা য়াগনি, মতুংদা লাকপা আপতি চে লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চথুরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector, Sagolmang, Imphal East**

HL-P/9356/20

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।